ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯵, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ২৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ২৪০শুবা মশীং

লৈঙাক্লা কদাই ফাওবা তৌরমগদগে

তৌরমদৌ মান্দে, থাজদে

হৌখিবা নবেম্বর ২০, ২০২১দা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী) না শীন্দুনা নেসনল ইলিজিবিলিটি টেষ্ট (এন ঈ টি) কী এগজামিনেসন পাঙথোকখ্রে। য়ু জি সীগী এগজামিনেসনসি চহী অমদা নেসনল লেভেলদা অনীরক পাঙথোকফম থোকপনি। হান্নদগীসু হায়রিবা মশীং অসি অদুম্মক পাঙথোক্তুনা লাকপনি। অদুবু কোভিদ-১৯ পেন্দমিক মায়োক্নরকপদগী মমাঙ চহী ২০২০দা থেঙ্খাং অনীরক্তা পাঙথোকফম থোকখিবা এগজামিনেসনশিং অসি পাঙথোক্তনা নমশিন্দুনা লৈরকপদগী পাঙথোকখিবনি। পাঙথোকফম থোকই, পাঙথোক্কদবনি। অদুবু মণিপুরগী ওইনদি কুমজা ২০০৬তগী হৌদুনা ক্লাস ফাইভতগী থংন-থংনবা একাদেমিক সেসনশিংদা বেঙ্গলি ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক্না শীঞ্জিন্দুনা লাকপনা হৌজিক এম এদা মণিপুরী সবজেক্ট তন্নিবা মহৈরোয়শিংগীদি অহুমশুবা সেমিষ্টর ফাওবগী ওইনা বেঙ্গলি ময়েকসি করিনো, করি হায়রিবনো হায়বসি খঙদ্রবনি। ক্লাস ফাইভতগী হৌরদুনা মীতৈ ময়েক ঙাক্তদা তম্লকখ্রবনিনা খঙদবনি, খঙফমসু থোক্তবনি। অদুবু য়ু জি সীনা লৌদুনা পাঙথোকখ্রিবা এন ঈ টিগী এগজামিনেসন অসিগী মণিপুরী সবজেক্টকী ওইনা এগজামিনেসনদা শরুক য়ারুবা মহৈরোয়শিংদদি মণিপুরিগী ৱাহং চেদা মীতৈ ময়েক্কী মহুত্তা বেঙ্গলি ময়েক্তা ইরকপনা করিমত্তা খঙখিদ্রে, ৱাহংশিং অদুগী পাউখুম পীবা ঙমখিদ্রে হায়বনি। মতাংসিদা লাক্লিবা ৱাহংদি মহৈরোয়শিংদা থোকহনখ্রিবা, মায়োক্নহনখ্রিবা খুদোংচাদবসি কনানা থোকহনবনো? মসিগী থৌদাং কনানা লৌবনো? কনাদা তেকচাক নমগদৌরি হায়বসিনি। মরমদি মণিপুরী লৌজরকপা অদুগা বেঙ্গলি ময়েক্তি খঙদ্রবা মহৈরোয়শিংগীদি এগজামিনেসন অসিদা শরুক য়ারুবগী কান্নবা ফংবা ঙমহৌদ্রবনি। থৌদোকসি য়ু জি সীনা এন ঈ টিগী এগজামিনেসন অসি পাঙথোকফম থোকই হায়দুনা থা ৬ লৈরগা পাঙথোরক্লবসু ৱাহং চেদা বেঙ্গলি ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক্না শিন্দোক্ত্রিবা ফাওবদি অমুক্কসু হন্না মায়োক্নখিগদৌরিবনি।

অদুনদি কৈদৌবা তাবগে? মণিপুর লৈঙাক্লা নেসনল লেভেলদা পাঙথোকপা এন ঈ টিগুম্বা, য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌদুনা পাঙথোকপা এগজামিনেসনশিংদা এম এগী থাক ফাওবদা বেঙ্গলি ময়েক করিনো খঙদ্রবা মহৈরোয়শিং শরুক য়াজবা ফংনবগীদমক মাঙজৌননা হায়দুনা খঙহলহৌবগী তঙাইফদবা লৈ, হায়হৌগদবনি। অদুগা অসিগুম্বা হায়ফম থোক্লবা অমসুং হায়দবসু য়াদ্রবা ৱাফমশিং অসিনা কনানা হায়গনি? ৱাহংসিগী পাউখুমদদি মণিপুর লৈঙাক্তা হেক্তা তারকই, তাফমসু থোকই। লৈঙাক্লা ষ্টেটসিগী মপুনি। অদুবু লৈঙাকসিনা মীতৈলোল অমসুং মীতৈ ময়েকপু লৈবাকসিদা অমসুং মালেমগী অতৈ চাওখৎলবা লোলশিংগা থাক মান্ননা চাওখৎহন্নবা করি করম্বা থবকশিং অতম্লনা অমসুং থৱায় য়াওনা তৌবা, পায়খৎপা য়াওখ্রবগে? মণিপুরী লোলনা লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনখ্রিবা অদুসু ষ্টেটসিগী মীয়াম্না অকনবা খোঙজং কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকখিবদগীনি। হৌজিক সেদ্যুলসিদা চল্লবা ফাওবা চহী অসুক য়াম্লক্লবা ফাওবদা লৈবাকসিগী শেল ময়েক্তা মীতৈ ময়েক য়াওদ্রিবনি। লৈঙাক্লা শকখঙলবা ময়েকসিগী মতাংদা ময়েক ২৭না চুম্মী, ৩৬ ওইগদবনি নৎত্রগা ৪৫ ওইগদবনি হায়বগী লৈরিবা ৱায়েৎনবা ফাওবা হৌজিক ফাওবদা লৈখাই তাথোকপা ঙমদ্রিবনি। মসিগুম্বা লৈঙাকশিং অসিনবু মীতৈলোল অমসুং মীতৈ ময়েক্কীদমক কদাই ফাওবা হোৎনরমগদগে? হোৎনরম্লোই, থাজদে। মণিপুর ওফিসল লেংগ্বেজ এক্ট, ১৯৭৯গী ক্লোজ ২দা য়াওরিবা ‘মণিপুরী রিটন ইন বেঙ্গলি’ হায়বা ৱাফমদু মার্চ ৪, ২০২১দা মণিপুর লৈঙাক্লা এসেমব্লিদা বিল অমা ওইনা পুথোরক্তুনা পাস তৌবগা লোয়ননা ‘মণিপুরী রিটন ইন মীতৈ ময়েক’ হায়দুনা ওন্থোক্লগা চৎনরগনি হায়দুনা লাউথোকখ্রবনি। ষ্টেটকী গেজেট নোটিফিকেসনদা ফাওবা ফোংদোকখ্রবনি। ওফিসল ওইহনখ্রবনি। মসি ওইরগদি অনৌবা ৱাফমসি, শেমদোক-হোংদোক্লবা অনৌবা মশকসি মণিপুরগী এম পি এস সীদগী হৌরগা য়ু পি এস সী য়াওনা য়ু জি সীনচিংবা ষ্টেট অমসুং নেসনল লেভেলগী থাক্তা এগজামিনেসনশিং পাঙথোক্লিবা বোদিশিংদা মতাং মতম চানা খঙহনফম থোক্তবরা হায়বনি। লৈঙাকসিগী মখাদা লৈরিবা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট ফাওবনসু অখন্নবা মীৎয়েং চঙশিনফম থোকই। অদুবু মসি পূম্নমক তৌহৌদবদগী হৌজিক্তি করি থোক্লে? মণিপুরী সবজেক্ট লৌদুনা তমজবা মহৈরোয়শিংদদি খুদোংচাদবশিং মায়োক্নহল্লে। অদুনা অসিগুম্বশিং অসি মখা তানা থোরক্তনবা হোৎনৌ।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩০

১) *“হুয়েল লানশোক লৈমাবী।।/পাম্বোম খূৎশু শিঙথাঙমদমবী।।//থাঙহাই নোংথাং পান্দম্নবী।।/শঙাইশেল তাহুল পাইগুম্বী।।/ঊনবী শৌশা মাঙহনবী।।/শমু মাঙদা খাঙঙমদবী।।/লানফম কুম্মৈ য়েংগনবী।।”* পীরিবা পরেং খরসি কনাবু শৈথাবা মীংখৈনো?

২) **“চফূন কায়রবদি”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৩) **“নীংশিংলি লেপ্তুনা তেংথারি য়মুনা;/নিল্লি লাউখোংলি থুগায়রি অচীকপা।/মতমগী খজাইদা শিন্থরি পিরাং মা;;/ফোঙদোক্লি অৱাবা অতৎপা লৈতনা।।”** ময়াম্না পাম্নবা ঈশৈ মতেকনি, শৈরেংবসি কনানো?

৪) ***“ওঁবাসুদেব-মহাকাব্য (মীতৈরোলগী মহাকাব্য)”***হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো?

৫) ***“মোহনদাস”***হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবিরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৫৩

(শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

লীলা চৎলিঙৈ মতমদা মীসি মখল মখা য়াম্না থেংনরক্লে। অফবা-ফত্তবা, ঐখোয়বু নুংশিবীবা, নুংশিবীদবা মথেল-মথেলনি। নুংশিবীবদি শারগা ঐখোয়গী মাঙনবতা তৌবা মীসু থেংনরে। অদুগা থম্মোয় শেংনা নুংশিনখিবা কয়া অমসু হৌজিকফাওবা নুংশিনবগী লিপুন তত্তনা লৈরি। খরা অমদি লীলা শান্নবা লোইরগা দখিনা লৌবদা শেল তবীয়ু য়াদে হায়না নুংশিখিদবদু হৌজিকফাওবা কাউদবা মান্না শাওবীবা লৈরমদৌ মাল্লি। দখিনা তবীবা তবীদবা হায়বদুদি লন্নাইগী ৱা নত্তে। দখিনা হায়বদু লৌরিবা, ঙাঙনরিবা ঐহাক্তনা লৌগদবা নত্তে। ময়ামগীনি, ময়াম য়েন্নগদৌরিবনি।

ঐগী মরুপ অমা লৈ, মাসু হৌজিক্তি লীলা তোকখিবা য়াম্না কুইখ্রে, ঐঙোন্দগী হান্না মানা তোকখি। মশাগী ওইবা বিজিনেস অমা তৌদুনা লৈখিবনি। মাঙ্গোলজাও কৌই, ঐখোয়গী পার্টিগী য়াম্না মরু ওইবা মীশক অমা ওইনা লৈরম্মী। থৱায় য়াম্না য়াওজবা মীনি। ঐখোয়গী লীলাদা মহাক্লা বেদতা শাদুনা লৈবনি। মানা শেল ঙাঙনবসি বেদ মাল্লি হায়দুনা য়াম্না তোয়না হায়। অদুবু মা বেদতি নত্তে। মাগী তৌগদবা অদুদা ফজনা তৌবদগী ময়াম্না বেদ ওইনা উবনি। তাইবঙদদি মহাক য়াম্না ফবনি হায়না হায়রবসু মীয়াম্নদি য়ানীংখিদে। মাগা শেল ঙাঙনবা তল্লি-তল্লি হায়না য়াওশঙগী, কাংগী নিংঙোল মচা পাল্লিগী লীলা শেল পীবদা ঙাঙনবা লৈশাবীশিংনা মঙোন্দা ওনশিন্দে। মতম অমদা লীলা শান্নবা লোইরগা শেল পীরমদাইদা তবীয়ু হায়না ঙাঙনবসি য়াম্না তোয়না তৌই। মদুদা শাথী-শাথীনা মচিন কল্ল-কল্লবা লৈশাবীদসু, নুপাদসু য়াম্না থোরকই। লৈকায়গী মচিন চৎপা, হায়ঙম তৌঙমদবা, ৱা ঙাঙবা য়াম্না হৈরবনি গাইনা লৈকায়গী থবক থৌরম খুদিংদা অওৎ-অপা শাবা কাঙবু অমসু নেক্তুনা থম্নবগসু য়াওই। মোইনগা তৌবা ধপসি অরোইবীনি। ঐখোয়সি ফজনা অমুক ঙাঙনদুনা য়েংই, য়াদ্রগা খোঞ্জাওগা থাদুনা কিহনবগী ধপকসু য়াওরিবনি। মদুদা কিবিরক্তবনি ঐখোয়। হায়বদি মদু নুংতিগী সুম থেংনদুনা লৈরবনিনা থোইদোক্লা অরুবা ওইনা খল্লুদে। লৈশাবীশিংসিসু য়াম্না শাথীখ্রজাৎনি। লীলাগীনি হায়দুনা খাইরগা মখূত্তা পায়দুনা লৈরবা শেলদু কোক পীথোক্তে। লুপা তরাদা-কুন্দা তারসু কান্নৈ হায়দুনা মরৈ অদুম তৌদুনা লৈবনি।

মতমদুদা হেক শাওনীংবসি, লীলাগী শেল তবীয়ু হায়রগা লোইবদুদা, মরৈ-মরাং ওইনা তৌদুনা - লীলা শম্মী, লীলা থৱায় য়াওনা শান্নবীদে, লীলাগী ফি-রোল নান্দে গাইনা মরী ইশম শম্নদবা ৱা হায়দুনা ঐখোয়বু খোইদৌ শাওগৎহল্লি। অদুদদি ঐখোয়সু শিখাং খাঙখৈ তাবা য়াবা খরা য়েংলগা অদুদগীদি হেন্না ঙল্লরোই হায়না মুক্তুনা লৈনরে। পীগদবনসু ঐখোয় সিদগী হেন্না পীবা ঙল্লরোই হায়না মুক্লে। মসি মফম খুদিংগী ৱাদি নত্তে। তোয়না থেংনবদুগী ৱানি। ঐখোয়দি লীলাসি মথং শো হায়বা অমসু লৈবনিনা অদুম্না য়াম্না মতম মাঙবদু য়াদে। অদুনা অয়াম্বা মতমদা খোইদৌ শাওগৎ শাওগৎনা অপীবা খরা লৌরগা লাকপসু অয়াম্বনি। মোইনা ঙম্মগনা ঐখোয়না থোকখ্রগা ৱা ৱা হেক নোকহৌবা, মোইনা হায়বদু য়াদ্রগনা মথং নোইগী লীলা কৌররোই গাইনা লাউরগা ইশৌ লাংদুনা লৈহৌবা কোঙ্গাই অমনি। অদুবু মথংগী অমুক লাকপদা অদুম কৌরকই। মতমদুদা ঐখোয়না লীলা অমা শান্নবদা শেল য়াম্না ফংবা নত্তে। লুপা ১৫/২০দগা ফংবনি। মদুসু অহানবদদি লুপা ১২/১৩গুম্বদগা ফংলম্লিবনি। অসুম্না মতম মতমগী মতুংইন্না লুপা ৫০গকা ফংলকপসিদি য়াম্না ফংলে খঙ্গখি। লীলাদু নোংমদা মরি নৎত্রগা অহুম শান্নরদি লুপা ৫০দা ফংলসু নোংমদা লুপা ১৫০দগী ২০০ ফাওবা ফংলিবনি। অয়ূক্তগী নুপা অমনা য়োৎ পায়দুনা লৈবাক তৌবদা মতমদুদা লুপা ৫০ ফংবা ঙম্বা নত্তে। ফবু ফমল্লবনি। লীলাগী শেল ঙাঙনবদা খ্বাইদগী শাথী শেল তবীয়ু য়াদে হায়না মফম খুদিংমক্তা হায়নবসি ঐনি। ঐসি লীলাগী শেল ঙাঙনবা য়াম্না নুংঙাইতে হায়না হায়নবদু ঐসু লোইনা তাই। অদুবু থোইদোক্লা মদুনা মরু ওইনা ঐনা খল্লুদে। ময়াম পূম্নমকসিনা লীলা লোইরগা মথংগী শো মফমদা চৎনখিবা, নৎত্রগা গাড়ীদা কাখৎতুনা ফমখিবা, অদুগা অততাই ওইনা ঐনা ইথন্তা ফম্লগা শেল ঙাঙনহৌবা অসিনি। অদুসু পাক্ক পুথোরক্তবা য়াওরিবনি।

মসি য়াওশঙগী লীলা লৈশাবীনা কৌবসিনা খরা খিৎ হেল্লি। মোইগী মমান্নবী অমনা শেল পায়খি, ময়ূমদগী লৌবা চৎখি, ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো হায়না ঙাইবসি ঙাইবসি কুইনা কুইনা ঙাইবা য়াওখ্রজাৎনি। অদুগা অমুক পুথোরক্লগা তবীয়ু হায়না হায়দৌরিনি। মতমদুদা ঐখোয় লীলা অমগী শেলসি লুপা চাম্মঙাগা লৌরম্মী। অদুদগী খরা খরা সুম য়ামখৎলকপগী ৱানি। লুপা চাম্মঙাগা হায়দুদা হৌরক্লিবসি লুপা চনি পীগে হায়না হৌরক্কদৌরিনি। অদুদগী কুন্দ হাপকে, য়াঙ্খৈ হাপকে হায়রগা চপ লেপ্তুনা লৈখিদৌরিনি। অদুদি ময়ামসু খন্দুনা অমুক্তা য়েংবীয়ু। লুপা চনি য়াঙ্খৈদুনা ঐখোয় ময়াম অদুগীনে, মেক-অপ লৈবগীনে, ময়ামদু খাইদোকখ্রগা কয়া লেমহৌদুইনো। অদুনা আর্টিষ্ট অমদা কয়া য়েন্নরমগনি হায়দু খনবীয়ুনে। কৈসু য়াম্না ফংবা নত্তে হায়বা। পামজবগী অদুক তৌবনি। ৱাবনা হেল্লিবনি। ৱাবা হায়বু চাক চাবা, তূম্বা মতম অমত্তা নাইবা নত্তে। য়াম্না খোইদৌসু শাওগৎপা, অদুগা নোকসু নোক্লিংবা ৱারী অমতং তমজগে। পাউ পংতম তমগনবা তাহনবীনু। অদুগা ৱারেংসিদা হকথেংনবীহৌবা ইকায়খুম্নজরিবশিংবু খুরুমজরি, ঐগীসি ময়ামদা সুম খঙহঞ্জনীংদুনা তৌবনি, অদোমগী মীং পঞ্জরোই, ৱারৌবীনু, অদোম্না মতমদুদা তৌবিখিবশিংদু হৌজিক্তদা নুংঙাইহ্রা য়েংবীয়ু।

লম মমিংদি পঞ্জররোই, খরা লাপ্পা মফমনি। ইন্দো-বর্ম্মা রোদতা চুম্না হাইথরগা, চাওরাক্লা কিলোমিটর ৬০ মুক্না হেনবা অদুৱাইদা ওইগদ্রা চপ চাবা হায়জবা ঙমজদ্রে। ঐখোয়গী লীলা অমা চেরিটি শোগীদমক কৌবীরকপদগী চৎচৈ। ঐখোয়গী লীলাগী কাঙবুনি, ঐখোয়নবু কন্নাদা করি তৌরুনি হায়বগে। মীয়াম্না নুংশিবীনবা তৌবা, পাম্বীনবা তৌবা, লোয়ননা ঐখোয়না মীয়ামদা পীজনীংলিবা পাউজেলদু মপূং ফানা পীজরম্না হায়বসিনা ঐখোয়গী পান্দমনি। মদুগা লোয়ননা ইরোই হেক লোইবদা শেল হায়বদুসু মরু ওইবনিনা, অহিং তূমদনা চৎচরিবা, ইমুং পুজরিবনা শেলগী ৱাসু অদুম ময়াওই। ঐখোয় লীলাদু পাক হৌদে। চেরিটি শোদু মী ইরাক লাক্তে, চাওরাক্লা অহিংগী পুং ১১গা তারকপা অদুদা ঐনা লীলা হৌরসি, থেংঙে হায়না য়াম্না হায়জে, মী লাকত্রি হায়দুনা য়াদে। হৌজিকপু কনাগী মী লাকখিগদগে হায়না ঐনা হায়, অদুবু লীলা কৌরিবশিংদু কোয়চেন চেন্দুনা খাংই। তশেংবগীদি শেল খরা তোংগদ্রা হায়না লীলাদু চেরিটি তৌবনি। অদুগদি মী য়েংবা কয়া লাক্তবনিনা ঐখোয়গী লীলাগী শেল ফাওবা পীনবা শুদবদগী মখোয় চেন্নবনি। মদুসু ঐখোয়না উই। শুমাংদা শান্নবনি, ঐখোয়না য়ুমদুগী য়েনখারোমদা লৈবা পাকখনদৌনা তৌবা অমদা খাজিল্লগা ফি শেৎপনি। পাকথরগা য়েংবদা অশেংবগীসু মীদু চাম্মা রোম মুক্তগী ইহেন হেন্দবদৌনা তৌরে। থেংজিল্লক্লবদুদদি লীলা য়েংবা লাক্লিবশিংদুনসু লীলা হৌরো লীলা হৌরো হায়না য়াম্না লাউই। ঐখোয়না ঈশৈ শক শক্তুনা ময়ামদু ফাজিনবনি। শাউনবদগী হনখিবা খরসু য়াওরবনি। ঐখোয়গী পার্টিদি মেক-অপ লোইরগা অয়াম্বনা উই উইদুনা লৈনবা য়াওরে, হিপথরগা তূম্বা য়াও তৌনরি। ঐনা লীলা কৌরিবশিংদু কৌশিল্লগা ফজনা হায়নরে। নখোয়গী তাবা য়াবা শেল তারগে, পীফম থোকপা খরা পীরো লীলাসি হৌরসি হায়না। মতমদুদা লীলাগী শেল হান্না লৌদ্রদি লীলা হৌদে। মরমদি লীলা শান্নখৈ শান্নরগা শেল পীদবসু য়াম্না য়াওবদগী, লীলা হৌদ্রিঙৈদা শেল হান্না লৌবনি। মদুসু অহল লমনশিং, লৈখিদ্রবা পাবুং বিনোদ, ঐগ্যা জুগেশোর, ওজা তোমাল হোয়না ঐবু য়াম্না শাউরম্মী। লীলাবু শেল হান্না লৌরগা শান্নবা, ইপা-ইপু হাক্তক্তগী তৌনরক্তে হায়না। অদুবু ঐদি লৌই, মরমদি খুদোংথীবা কয়া অমা থেংনখ্রবনিনা। মকোয়গা খরা খাকপা, হেক য়েংবদা কারন তৌবা মানবা নুপা অমনা মাঙ থারগা শেল পীবা চঙলকই। ঐগী নাকন্দা ফমজিল্লগা, লুপা চামরি ঐগী মাঙদা থম্মী। অদুগা শেলদুগী মনাক্তা খুগ্রি লংত্রিক লংবা অমা চুক লাউনা য়ুংলগা হায়, *“শেলসি লৌরো, অদুগা লীলা হৌরো। য়ারেদনা য়াদবগী থবক তৌরনি”* ঐনা হংই, *“কয়া ওইরবনো?”* নুপাদুসু শেলদু কয়ানো খঙদজাৎনি লীলা কৌরিশিংদুদা হংই। *“কয়ানো নোইগীসে?”* *“লুপা চামরিনি”* ঐনা খুম্মী, *“য়ারদি মসিদি খজিক্তং য়াম্নন্দে, খরা হাপ্পীয়ু, সিদি গাড়ীগী অতোংমল পীথোকখিবদা ঐখোয়গী কৈমতা লেমহৌদ্রে”* নুপাদুনা ফিংগৎলগা, *“লৈত্রে সি লৌরো, হয়েং কোন্না অমুক হাপ্পগে, লীলা হৌরো?”* ঐনা মসিদি কন্দর অমা তৌরগে হায়দুনা, ঐখোয়গী লীলাগী দ্রাইভরদুদা ক্বাগা চুরুটকা লৈরুচো হায়না হায়বদগী লৈবা চৎখ্রে। পুরক্লে। ঐনা ক্বাদু লানশিল্লি। নুপাদু ফিংগৎলম্বদগী তপথৈ, ক্বাদু চাশিনখ্রে। চুরুট মচৈ অমসু লানশিল্লে। অদুসু থকচিনখ্রে। ঐনা য়ারনি সি য়ৌরদি হায়না নুপাদুগা তপ্পা ৱারী শাবা হৌরে।

“ঐখোয়দি লায়রবা মচা ঙাক্তনি, লীলাসি পামসু পামজবা, অদুগা মসিদগী ফংবা শেল খরনা ইমুং মনুং পুজরিনি। সিগী শেলসিদি গাড়ীগী অতোংমল লুপা চহুম পীথোকখ্রগা, ঐখোয় লাক্লিসি তরামরিনি, কয়ানো ঐখোয়না ফংগদুইসে” গাইনা অৱাবা ৱারীসি সুম শাজিল্লে, মনাকোং ময়াদা। মদুদগীদি মানা মপুকচেল থোক ওল্লগা, *হোয়নে চুম্মীনে, অঙাংশিংসি হেনমল্লেনে, ঐ তৌগে, হাপহনগে, লীলাদি হৌরো, লীলা লোইদ্রিঙৈদা ঐ শোয়দনা হাপহনগে* হায়রে। লীলা হৌরে। মানা অমুক্তং অঙাংশিংদু কৌশিল্লগা, *“নোই নখ্বায় লৌরা? চৎলু ওজাশিংগী শেল হাপ্পু, নয়ুমদগী ফৌ তাইগেরা, কৈদৌগেগে, নৎত্রদি নোই লোইনা শিনি”* হায়না লাউরে। অঙাংশিংদু চেনখ্রে। কোয়চেন চেন্নরুরগা লীলা লোইরমদাইদা লুপা চহুম অমগা হাপ্লে। মদুদা নে হেক তাই। নুপাদুসু মতুংদদি ঐগা অদুম তিন্নখ্রে। ঐখোয়গী লীলা তৌনি তারদি হেক হেক লাক্তুনা ৱারী শানৈ। গুন্দাগা লোইনা মাঙখ্রে। অতৈদদি তৌরমগনি, ঐখোয়দদি গুন্দাগী মহুত্তা মীচং ওইনা চঙবীরে। ●

মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৮৯

উসম ধনঞ্জয়

জন্যুৱারী ২৮, ২০১০ ইং :- ফয়েং মখা লৈকায়দগী চহী ৩৭ লোম শুরবী অঙোম ওংবী চানবী অমসুং চানবীগী চহী ১৭ লোম শুরবী মচানুপী অঙোম ইবেমচা এলিয়জ মেনকাবু মীওইবগী মীনুংশি য়াওদনা নুপী ওইবীগী ইকায়খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা তমথীনা হাৎতোক্লগা লংথোক্লম্বগী থৌওংবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি তাইরেনপোকপী য়ুথ ক্লবকী লম্পাক্তা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে।

তাইরেনপোকপী, সাইরেমখুন অমসুং অতোং খুন্নৌগী মৈরা পায়বীশিংনা শরুক য়াদুনা তাইরেনপোকপী ৱিমেন সোসাইটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা মরাল লৈবা মীহাৎপশিং অদুবু অথুবা মতমদা ফারগা চৈরাক পীয়ু অমসুং হৌজিক হৌজিক লৈহৌরিবা চানবীগী মচা অহুমগী থৌদাং গভর্ণমেন্টনা পুগদবনি হায়বা দিমান্দশিং তানখি।

চানবী অমসুং মেনকা মীহাৎ য়ানীংদে, নুপীগী হক কনবীয়ু, নুপীবু ঙাকপী শেনবীয়ু, ঐখোয় শান্তি ওইনা হিংবা পাম্মী হায়বা ৱাহৈশিং থাবা প্লেকার্দশিং ৱাকৎ মীফম অদুদা শীজিন্নখি। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী চহী ৬০ হেল্লবী সাইরেম খুন্দগী মোইরাংথেম কৈন্যহনবীনা হায়খি, চানবী অমসুং মেনকাগী মীহাৎ অসিদগী ফৈয়েংগা খুন থংননা লৈবা খুনশিংগী নুপীশিং অকিবা ফাওরে। মীহাৎ অসি থম্মোয় শোক্লা য়ানীংদে অমদি মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অমুক হন্না থোক্তনবগীদমক্তা মীহাৎপশিংবু ফারগা মৈরা পায়বীশিংদা শিন্নবীয়ু, ময়াম চঙদুনা ৱারকচগে, অসিগুম্বা শা ওল্লবা মীওইশিং মীরক্তা থম্বা পামদে হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

চানবীনা থল্লম্বা মচাশিং গভর্ণমেন্টনা ঙাকপী শেনবীয়ু অমসুং হিংবা ঙম্নবগীদমক মতেং পাংবীয়ু, মমা নৎত্রগা মপাগী মনুংদা অমা লৈতবা ফাওবদা অৱাৎপনা পীক থল্লিঙৈদা মমা-মপা অনীমক লৈতবা হায়বসি অঙাংশিং অদু লান্না চৎখিনবগী মরম ওইহনগনি হায়বা ৱাফম ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবী কে ঐচ পুর্ণিমানা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা মৈরা পায়বী কয়ানা চানবী অমসুং মেনকাগী মীহাৎপু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা কপ্পখি। অহলশিংনা ৱারী শানসি হায়দুনা থাসিগী ১২গী নুমিদাংদা ময়ূমদগী নুপী মমা-মচাবু মশক খঙদবা খরনা কৌথোকখ্রগা নুমিৎ কয়ানি মফম খঙদনা লৈরক্লবা মতুংদা ময়ূমদগী ইরাপ লাপ্তুনা লৈবা মফমদা লৈবা লৌবুক্তা ফীভম চাদনা হাৎলগা চরুনা কুপশিন্দুনা থল্লম্বদগী থাসিগী ২৩দা মীয়াম্না থেংনরকখিবনি। মমা মচাগী অশিবা হকচাংশিংদি থাসিগী ২৫দা রিমস মোর্গতগী লৌদুনা অরোইবা হৌনবী মথৌ মঙম পাঙথোকখ্রে। মতম খরগী মমাঙদা মপুরোয়বসু লৈখিদ্রবা চানবীগী চহী তরুকলোমগী অঙাং অমা য়াওনা মচা অহুম লৈহৌরি।

জন্যুৱারী ২৮, ২০১০ ইং :- ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট এমপ্লোয়ীজ ওর্গনাইজেসন (এম জি ও) অমসুং ওল মণিপুর ষ্টেট য়ুনিয়ন কোংগ্রেস (এমতুক) কী অপূনবা জোইন্ট এদমিনিষ্ট্রেটিভ কাউন্সিল (জে এ সী) না তাল্লিবা দিমান্দশিং ফংদ্রি ফাওবা চথুরক্লিবা ইন্দিফিনিট সিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক ঙসিগা থারগা নুমিৎ ১৩নি শুখিবগা লোয়ননা লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ৪দা জে এ সী অসিনা শীন্দুনা মাস সাইলেন্ট রেল্লি অমসু ইম্ফালদা চৎকদৌরি।

হৌজিক হৌজিক চঙশিল্লিবা শিজ ৱার্ক ষ্ট্রাইক অসিদা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংনা মপূং ফানা শৌগৎপদগী দিপার্টমেন্ট অমদি ওফিসশিং পেরলাইজ ওইহন্দুনা লৈরিবসিদা জে এ সী অসিনা অপেনবা ফোঙদোরক্লদুনা ষ্ট্রাইক অসিদা মপূং ফানা শৌগৎপগীদমক্তসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

হৌজিক চথুরিবা ষ্ট্রাইক অসিদা হৌজিক ফাওবা কোমথোক্তুনা লৈরিবা ইলেক্ট্রিসিটি, পি ঐচ ঈ দি, পি দব্লিয়ু দিগী টেক্নিকেল ষ্টাফশিং অমসুং শিন্মীশিং, মেদিকেল অমদি ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টকী ডাক্তরশিং, নর্সশিং, পেরা মেদিকেল ষ্টাফশিং, দি আই পি আরগী পাউমী, কেমেরামেনশিং, ফিল্ড ষ্টাফশিং লোয়ননা দিপার্টমেন্টশিংগী গাড়ী থৌরিবশিংসু জে এ সীনা ষ্ট্রাইক অসি য়াওনবা হেক হায়রকপদা য়াওবীনবা থৌরাং তৌবীয়ু হায়বা ৱাফম থম্লক্লি।

ফেব্রুৱারী ৪দা চৎকদৌরিবা মাস সাইলেন্ট রেল্লি অসিগীদমক্তা এমপ্লোয়ীশিং অমসুং পেন্সনরশিংনা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১০দা লম্ফেলগী দি সী ওফিস কমপ্লেক্সতা য়ৌরক্কবা খঙহল্লক্লি। জে এ সী ওফ এমতু ক এন্দ এম জি ও চান্দেল ব্রাঞ্চনসু হৌজিক হৌজিক জে এ সীনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা মপূং ফানা শৌগৎকনি হায়না চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিং অমদি পেন্সনরশিংদা লাক্লিবা এপ্রিল থাদগী হৌনা ৬শুবা সেন্ট্রেল পে কম্মিসন রেক্কমেন্দ তৌবা তোলোপ অমদি পেন্সন পীরগনি অদুবু এরিয়রদি ১৩শুবা ফাইনান্স কম্মিসনন্না হাপ্লক্ত্রবদি ষ্টেটনা পীবা ঙম্লোই হায়না গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌদুনা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবনি।

এরিয়র পীবা য়াওনা দিমান্দ কয়া তান্দুনা জে এ সীনা ৱারেপ লৌদুনা গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংনা তাল্লিবা দিমান্দশিং ফংদ্রি ফাওবা খোঙজং চঙশিন্নবা অকনবা ফিরেপ লৌদুনা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লকপনি।

গভর্ণমেন্টকী এমপ্লোয়ীশিংগী লূপশিংগী অপূনবা লূপ জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজং শৌগৎনদুনা পেন্সনরশিংনসু চরা হেনবগী খোঙজং কৈশাম্পাৎতা চঙশিল্লি।

জন্যুৱারী ২৮, ২০১০ ইং :- ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী উরিপোক্তা লৈবা সখি দেবী গার্লস হায় স্কুল মনাক্তা থাসিগী ২৭কী নুমিদাং পুং ৯ লোম তাবদা চহী ৩৫ রোম শুরবা নুপা অমা চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা শিরল্লে।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না, উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী কোঞ্জেংবম গোপালমচা (৩৫) অপোকপা মঙ্গি হায় স্কুল অদুগী মমাঙ থংবা চেক্কী ফক্লাং ময়াদা ঙরাং নুমিদাং তারম্বনি। পুং ২ রোমগী মমাঙদা মহাক ময়ূমদগী থোকখিবনি হায়রি।

মহাক্কী লাইবক অমদি য়েৎ থংবা খজাইদা শোকপগী মফম লৈরম্মী অমদি ওই থংবা মনাকোংদা ঈ থোক্লম্মী। লৈখিদ্রবগী হকচাং অদু ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা ইমুং মনুংদা শিন্নখ্রে।

মীশি অসিগী মতাংদা পুলিসনা কেস অমা লৌখত্তুনা থিজিনবা হৌরবসু কনানা নৎত্রগা করম্বা লূপনা করি মরমগী মহাকপু হাৎলম্বনো নৎত্রগা করম্না শিরম্বনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

চৈরক অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লম্ফেল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা রিমস ওল্ড গেট মপান্দা মপান লমগী মীওই অমা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা শিরগা লৈরল্লে। শিরগা তারম্বা মফম অদুদা মপান লমগী মীওই অনী হেক হেক লৈবা উই। মশক খঙদ্রিবা মীওই অদু ঙরাং শিবা ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনরি। ফিট মঙাগা ইঞ্চি অনীরোম ৱাংগদবা, মমায় শাংতক তৌবা, কুচু মুবা অমদি ব্রাউন মচুগী জেকেট লিংপা মীওই অদুগী হকচাং রিমস মোর্গতা থমখ্রে।

লম্ফেল পুলিসকী চেরোল অমগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা মশক মমিং খঙদ্রিবা মপান লমগী মীওইদু ময়ূম মকৈ লৈতবা, লম্বী মপান্দা লৈবা মীয়ামগা মীমান্নদ্রবা মীওইনি। মহাক ঈংমন্দুনা শিবা মাল্লি হায়বগী চিংনবসু পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

অঙৌবা মচুগী মারুটি জিপসি (এম এন ০৪ এ- ২০৪০) অমা মশক খঙদবশিংনা হুন্দোক্লম্বদগী কাংপোকপী ৱার্দ নম্বর টুদা লৈরল্লে হায়না কাংপোকপী পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। গাড়ীদু থাসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ১০.৪৫ রোম তাবদা পুলিসনা থেংনরকপনি। পুলিসনা লৌখৎলগা থল্লে। মপুনা খুদম চাংদমগা লোয়ননা ক্লেইম তৌরকপা য়াগনি হায়না পুলিসনা খঙহল্লক্লি।

জন্যুৱারী ২৮, ২০১০ ইং :- মমাঙ চহীগী জুলাই ২৩দা থোকখিবা মীরোনবী রবিনা য়াওনা মীওই অনী শিরগা মঙানা শোকখিবা খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্কী মতাংদা থিজিল্লিবা জষ্টিস অগরৱাল ইনক্বারি কম্মিসনগী হিয়ারিং গুৱাহাটিদা পাঙথোক্লগা ন্যুজ মেগাজিন টেহলকা গুৱাহাটিগী করেস্পোন্দেন্ট তেরেসা রহমনগী ষ্টেটমেন্ট লৌবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা য়াখিবগা লোয়ননা মথং থাগী অহানবা চয়োলদা হিয়ারিং পাঙথোক্লবা য়াই।

য়াম্না থাজনীংঙাই ওইবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না জুলাই ২৩গী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা শাশিন্নবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক্তা চুংখাম সঞ্জিৎ লৈখিদবনি হায়দুনা ফোটো ময়াম পুথোরকখিবা ন্যুজ মেগাজিন অসিগী গুৱাহাটি কোরেস্পোন্দেন্ট তেরেসা রহমন্দা ফোন্দা কিহল্লক্লে হায়বদগী গুৱাহাটিদা ওইনা ষ্টেটমেন্ট লৌবীনবা কম্মিসনদা হায়জরকখিবনি। ন্যুজ মেগাজিন অসিগী এগজিক্যুটিভ এদিটর সোমা চৌধুরিদি ইম্ফালদা লাক্তুনা মহাক্কী ষ্টেটমেন্ট পীখ্রবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।